GAS NEWS

SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK
BOOKING UPTO :10-10-2020
VALID FROM 07-10-2020
STK : 306
TIME 7:00 -10:00
HOME DELIVERY DATE 05-12-2020
CONTACT NO 7005695308, 6009772483

M/s K&K INDANE SERVICE
Booking upto sl.no.50 A&B of 02/11/2020
Valid from : 26/10/20
Time 7.30 to 11am

M/S BASHIKHONG INDANE
Booking up to : 20/10/2020
Valid from 09/10/2020
Home Delivery Only....
Contact no: 9089709738, 8794622868
Office Timing: 8.00 am to11am
Will be delivered for 3days

LOKTAK INDANE GRAMIN VITRAK THANGA
Stock:
Valid from:17/10/20
Booking: Upto :22/10/20
Timing: 08:00am to 11:00 am
Home Delivery Only.
Please Contact: 7628026040, 9378112903

KHUMBONG INDANE
Booking upto :07-10-20
Only home delivery (within 3 days)
Contact no. 7005771527
Office no.9774068549
Whatsapp no.8794973019
Time 7.30am to 10.am

HEINGANG INDANE GRAMIN VITRAK.
BOOKING UPTO.09/11/2020.
VALID FROM.14/10/2020.
DROP IN BOX.&HOME DELIVERY. M.NO. 9089177227 & 9366597565.M.BOOKING OFFICE-9089161416. CONT. TIME.7.00AM.TO.10.30 AM.

KHONGNANG GAS AGENCY, NINGTHOUKHONG.
Booking up to:22/11/2020
Valid from: 10/11/2020.
Please Contact:
7085412119/7085411559
Time: 7:30am to 10:30 am.

MM GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00 am to12:00 Noon
BOOKING : 16. 10.20
VALID : 07.10.20
FOR ALL THANGMEIBAND, LAMPHEL
8131852580, 9774722106, 9089370369
FOR ALL WAHENGBAM LEIKAI, KEISHAMPAT, KEISHAMTHONG, KHAGEMPALLI, KWAKEITHEL, GHARI, SANGAIPROU, CHANGANGEI, MALOM, YAISKUL, SINGJAMEI, KAKWA, HEIRANGOITHONG, HAOBAM MARAK, PISHUM,MONGSANGEI, LANGTHABAL, SAGOLBAND, TAOBUNGKHOK, PATSOI, YUREMBAM, SAGOLTONGBA, LANGJING, SALAM, LANGOL URIPOK, SINGDA, LAMDENG, AKHAM, MAYANG LANGJING 8131942156, 7630902992, 7627968997
FOR IMPHAL EAST AREA 7005281388, 6009885600
FOR OTHERS AREA 9612009063, 7628094160
DELIVERY WITHIN 3 DAYS

CANCHI INDANE SERVICE
BOOKING UPTO : 26/10/20
VALID FROM 21/10/20
19kg &5kg AVAILABLE
TIMING 08.00 to 10.00am

HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 14/10/2020
BOOKING UPTO: 17/10/2020
BOOKING ONLY: 3852444677
ENQUIRY ONLY: 9436280866
TIMING: 8:00AM to 12:00PM

IMPHAL LPG SERVICE
Home Delivery
Booking : 29/11/20
Summit house no. LPG ID no Address with land mark also digital transaction and online payment encouraged
5.kg 19.kg available
Enquiry numbers 6009392991 8014389420, 9612718751
Enquiry time 8.30 to 1.pm
please do not contact driver and handy man except office no i.e. office no

M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto 14.2kg-24/11/2020
Valid from-26/10/2020
***19kg Available
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM

HIYANGTHANG INDANE
Booking 05-10-20
Valid.04-10-20.
Only home del. Service.
Whatsapp no. 7085557686.
Office no. 6381538861.
Timing 7.a.m.to 11.a.m.
Stk.-306

MAIBIA GAS MOIRANG
BOOKING UPTO: 24/10/2020
VALID FROM : 22/10/2020
STOCK= 612
(HOME DELIVERY SERVICE),CONTACT NOS. 1.DILIP-9612883295 (MOIRANG A/C). 2.AJAY--7005667570 (THANGA A/C), 3.AMARJIT-9862710469 (KUMBI A/C).
BOOKING CONTACT NO. 7085972248.
TIMING--8 AM TO 12 NOON

MANIPUR GAS SERVICE
Booking up to : 05/11/2020
Valid from 17/10/2020
Home Delivery Only....
Contact no: 8730954041, 8259969582
Office Timing: 8 am to 12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL TAKE 4 DAYS

এম এস পি দি সি এলগী টাস্ক ফোর্সনা চিংনবা কঞ্জ্যুমরশিংগী যূমদা র‌্যেদ চথরগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ইলেক্ট্রিকেল দিভিজন (আই ঈ দি)-১ গী মখাদা লৈবা প্রি-পেদ অমসুং পোষ্ট পেদ কঞ্জ্যুমরশিংগী মফমদা কম্পনি অসিগী দেপ্যুটি জেনরেল মেনেজর টি ইবোচৌবনা থোরকখিবা চেরোল অমদা প্রি-পেদ রিচার্জ চাং নাইনা তৌদবা কঞ্জ্যুমরশিং অমসুং পোষ্ট পেদকী বিল মতম চানা থিদোক্তবা কঞ্জ্যুমরশিংগী লিষ্ট এম এস পি দি সি এলনা শেম্বা লোইরে হায়রি।

মরম অসিনা প্রি-পেদ কঞ্জ্যুমরশিংনা নিয়ম চুম্না মৈ শীজিন্নবিয়ু। ইল্লিগেল টেপিং অমদি মিটর বাই পাসিংনচিংবা থবকশিং তৌবীগনু। মিটর দিফেক্টিভ ওইখ্রবা কঞ্জ্যুমরশিংনা মখোয় মখোয়গী মোবাইল ফোনদা থাখিবা মেসেজ শিংদা উৎলি। ইলেক্ট্রিক বিলশিং অদু থিদোকপীয়ু। মমাঙদা চত্থখিবা র‌্যেদশিংদা নিয়ম লান্না মৈ শীজিন্নরম্বা কঞ্জ্যুমরশিংনা ইলেক্ট্রিসিটি এক্ট, ২০০৩গী মখাদা অৱাবা কয়া মায়োক্নখ্রবনি হায়রি।

মরমশিং অসিনা কঞ্জ্যুমরশিংনা নত্তবা পাম্বৈ শীজিন্নদুনা মৈ থানবীগনু। প্রি-পেদ কঞ্জ্যুমরশিংনা মশা মশাগী বিল মতম চানা লাক্তবদি মরী লৈনবা মেনেজরশিংদা উনবীয়ু। অথুবা মতমদা এম এস পি দি সি এলগী টাস্ক ফোর্সকী টিমশিংনা চিংনবা কঞ্জ্যুমরশিংগী যূমশিংদা র‌্যেদ চথবা হৌরগনি হায়রি। মসিদা লাক্কদবা খুদোংচাদবশিংগীদমক কঞ্জ্যুমরশিংনা ৱারৌবীগনু হায়রি।

এম এল এ ব্রোজেন তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচএনএস): ৱাংজিং তেন্থা এ সিগী এম এল এ পাওনম ব্রোজেনবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ঙরাং ৱাংজিং কৈথেলদা লৈবা মোইরাংথেম লৈরক্তা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি ৱাংজিং লমদিং ম্যুনিসিপাল কাওন্সিলগী ৱার্দ নম্বর-৪গী নহারোলশিং অমসুং নুপীশিংনা শীনবনি। থৌরম অসিদা মোইরাংথেম চিত্তরঞ্জননা ময়ায় তাংবল লৌখি। থৌরম অসিদা এম এল এনা মহাকপু থাজবীবদগী শৌগৎপীদুনা অমুক হন্না এম এল এ ওইনা খনবীবগীদমক মীয়াম্বু থাগৎপা ফোঙদোকখি। মহাক্না মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিঙৈ মতমদা মীয়ামগীদমক পাঙথোকপা য়াবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎকনি হায়খি। মহাক্না পায়খৎকন্দবা থবকশিংগী মনুংদগী মহাক্কী এ সিনা লৌ উবা য়াবা মফমশিং অমসুং ৱাটর রিসোর্সশিং মরাং কায়না লৈবনা মীয়ামগী শেল-থুমগী ফিভম ফগাৎহনবা অমসুং এগ্রিকলচরেল অমদি হোর্টিকলচরেল এক্টিভিটিশিং হেনগৎহনবদা পুক্নিং চঙগনি হায়খি।

এয়রপোর্ট দ্রগ কেস: দেল্লিদগী মীওই অমা কোর্টনা ...

লামায় ১গী মখা... ষ্টেশন্না এন দি এন্দ পি এস এক্টকী সেক্সন ৯এ/২৫এ/২৯গী মখাদা এফ আই আর নম্বর ১১(১) ২০১৩ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলগা ইনভেষ্টিগেশন চত্থখিবনি। অদুবু সি বি আইদা শিন্নবদগী ইনভেষ্টিগেশন এজেন্সি অসিনা থৌদোক অসিগী মতাংদা ইন্দিয়ান পেনাল কোদকী সেক্সন ১২০(বি), ৪২০, ৪৬৮, ৪৭১, ৫০৬ অমসুং এন দি এন্দ পি এস এক্টকী সেক্সন ২১, ২৫(এ), ২৯, ৩২গী মখাদা রেগ্যুলর কেস নম্বর ৭/এস/২০১৩ (কোলকটা) রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি।

কেস অসিগী ৱায়েলগী শরুক্তা হৌজিক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা স্পেশল জজ (এন দি এন্দ পি এস), ফাষ্ট ট্রেক কোর্ট, মণিপুরদা চত্থরক্লিবা চার্জসিটতা পল্লকপা প্রোজিক্যুশন ৱিটনেস (পি দব্লিয়ু) শিং এগজামিন তৌবগী থবক্তা দেল্লিগী মীওই অসি মচিন হংখিবনি।

ঙসি কোর্ট অসিদা মচিন হংখিবা পি দব্লিয়ু অদুগী মমিং অশোককুমার ঠাকুর (৪০) কৌই। দেল্লিগী হনুমান চোক মনাক্তা লৈবা জগৎপুর এক্সটেন্সনগী গল্লি নম্বর-৩ গী হাওস নম্বর-৫২৮ দা লৈবা দিনেশ ঠাকুরগী মচানুপানি। মহাক দেল্লিগী এস পি মুখরজি মার্গকী নাইবস্তিদা লৈবা অভিনাব মেদিকোজ ষ্টোরগী প্রোপ্রাইটরনি। মহাক কেস অসিগী পি দব্লিয়ু নম্বর-৫১নি।

এন দি এন্দ পি এস (ফাষ্ট ট্রেক কোর্ট) অসিগী স্পেশল জজ ছুটিদা লৈখিবদগী কোর্ট অসিগী চার্জ পুরিবা প্রিসাইদিং ওফিসর ৱাইখোম তোনেন মৈতৈগী কোর্টতা পি দব্লিয়ু অসিনা ফোঙদোকখিবশিংগী মনুংদা মহাক্কী ফার্মাসি অসি মনাওনুপাগা লোয়ননা ফার্মাসিষ্ট অমগনা চল্লাইবনি হায়খি। মখোয়না হীদাক লাংথকশিংগী রিটেলর ওই। মরম অসিনা মখোয়না লৈরুবা অমসুং য়োনখিবা হীদাক লাংথকশিংগী বিলশিংগী মতুং ইন্না রেকোর্দ তৌরি হায়খি। লোয়ননা ঙসি মঙোন্দা য়েংহনখিবা দোক্যুমেন্টশিং মহাক্না মশক তাকখি।

মহাক্না ঙসি কোর্টতা মশক তাকখিবা দোক্যুমেন্টশিংগী মনুংদা কেস অসিগী এগজিবিট নম্বর-পি/২৩৪, পি/২৩৫, পি/২৩৫(১)দগী (৪), পি/২৩৬, পি/২৩৭, পি/২৩৭(১), পি/২৩৮, পি/২৩৮(১), পি/২৩৯, পি/২৩৯(১) নচিংবা য়াওখি। লোয়ননা মহাক্কী ফার্মাসিদা য়োনখিবা হীদাকশিংগী ইনভোইসশিংসু মশক তাকখি। অদুম ওইনমক, মহাক্কী মায়কৈদগী রেস্পিফেদ টেব্লেটশিং নৎত্রগা রোবোকোফ টেব্লেটশিংদি এম/এস মহেক ফার্মাস্যুটিকেল্সতগী লৈখিদে হায়বা ৱাফম কোর্টতা ফোঙদোকখি।

মঙোন্দা এম/এস মহেক ফার্মাস্যুটিকেলগী এপ্রিল ১, ২০১২ দগী মার্চ৩১, ২০১৩ ফাওবগী লুপা ১৭,৯২৮গী হীদাক লাংথকশিং লৈখিবগী কেস পেমেন্টশিংগী লেজর একাওন্ট উৎপা মতমদসু মহাক্না হায়রিবা শেনফম অসিগী ওইনা এম/এস মহেক ফার্মাস্যুটিকেলদগী হায়রিবা হীদাক লাংথকশিং অসি লৈখিবা লৈতে হায়না কোর্টতা ফোঙদোকখি।

পি দব্লিয়ু অসিনা মহাক্কী ৱাফমশিং অসি কোর্টতা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা কেস অসিগী এগজিবিটশিং মশক তাক্লবা মতুংদা মহাকপু কেস অসিগী এক্যুজশিংগী মনুংদা নম্বর-১ ওইরিবা এক্যুজগী মায়কৈদগা লেপখিবা দিফেন্স কাওন্সেল মোইরাংথেম দিগেন্দ্রনা ক্রোস এগজামিনেশন তৌখি। লোয়ননা কেস অসিগী মথংগী পি দব্লিয়ুশিংগী এগজামিনেশন থা অসিগী ১১ পাঙথোক্লবা লেপখি হায়রি।

চয়োল খরগী মনুংদা কোভিদকী ভেক্সিন ফংলবা ...

লামায় ১গী মখা... অহেনবা ফার্মাস্যুটিকেল কম্পেনি অহুমগা ভর্চ্যুএল মীটিংসু পাঙথোকখি।

সোর্সশিংনা এজেন্সীদা ফোঙদোকখিবদা, এম পি মঙা নৎত্রগা মঙাদগী হেন্না লৈবা মরু ওইবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী লুচিংবা ১২ রোম্না প্রাইম মিনিষ্টরগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা ভর্চ্যুএল মীটিং অদুদা শরুক য়াখি। রাজ্য সভাদা ওপোজিসন লিদর ওইরিবা গুলাম নবি অজাদনা কোংগ্রেসকী মীহুৎ ওইনা মীটিং অদুদা শরুক য়াখি অমসুং সুদিপ বান্দ্যোপাধ্যায়না তৃণমুল কোংগ্রেস রিপ্রজেন্ট তৌখি। শরদ পৱারনা এন সী পি, নামা নাগেশ্বর রাওনা টি আর এস অমদি ভিনায়াক রাউটনা শিব সেনা রিপ্রজেন্ট তৌখি।

ইন্দিয়ন খুদিংমক্না করম্বা মতমদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন লেন্না ফংগদগে হায়বগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না মীফম অদু হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা কোংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধীনসু ট্বিট তৌদুনা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লাইচৎ শন্দোকপা হৌখিবদগী সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ওল পার্টি মীটিং কৌদুনা লৈবাক অসিদা হৌজিক লৈরিবা কোভিদ-১৯গী ফীভমগী মতাংদা খন্নবা অসি ঙসিগী অসিনা অনীশুবনি। মীটিং অদুদা য়ুনিয়ন দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ, হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ, হেল্থ মিনিষ্টর হর্শ বর্ধনসু মীফম অদুদা শরুক য়াখি।

মীফমদুগী মাঙওইননা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা চ্যের লৌদুনা ষ্টেটশিংগী চীফ মিনিষ্টরশিংগা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা মহাক্না ভেক্সিন এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং দিষ্ট্রিব্যুসন্দা ষ্টেটশিংগী থৌদাং মরু ওই হায়না থমখি। হৌখিবা নবেম্বর ২৪দা পাঙথোকখিবা মীটিংদা মহাক্না ষ্টেটশিংদা ইম্যুনাইজেসনগী ব্লু প্রিন্ট শেম্নবা থৌরাংশিং পীরক্নবা খঙহনখিবগা লোয়ননা মওং মরীল তানা ভেক্সিন ফংহন্নবগীদমক্তা টাস্ক ফোর্সকী মওংদা ব্লোক্কী থাক ফাওবদা দিসেন্ত্রেলাইজ মেকানিজম পুথোক্লবসু হায়খি। হৌজিক হৌজি কমক্কী ওইনা ভেক্সিন পুথোকপা ঙমদ্রবসু সেন্টরনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন তৌননবা শেম শাবগী থবক পাক শন্না চত্থরি। মথং চহীগী জুলাই ২১ ফাওবগী মনুংদা ভেক্সিন দোজ মিলিয়ন ৪০০-৫০০ শীজিন্নদুনা চাওরাক্না লৈবাক অসিগী মীওই ক্রোর ২০-২৫ ইম্যুনাইজ তৌবা ঙমগনি হায়না সেন্টরনা থাজরি।

মুতুম উপেন্দ্রো অমসুং য়েংখোম সঞ্জিৎকুমারদা এৱার্দ পীরক্লে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচএনএস): কৈশাম্পাৎ মুতুম লৈকায়দা লৈবা গুরু মুতুম মোধু আর্ট এন্দ কলচরেল একাদেমিগী শক্লাইরবা দিরেক্টর মুতুম উপেন্দ্রো অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কলচর দিপার্টমেন্টকী থাঙ-তাগী এসিস্টেন্ট প্রোফেসার য়েংখোম সঞ্জিৎকুমারদা মথংশীৎনা ইন্টরনেশনল ঠীএটর এৱার্দ অমসুং নেশনল এৱার্দ থাঙ-তা ট্রেদিশনল মণিপুরী মৈতৈ মার্সিএল আর্ট্সকী মনাশিং পীরকপদা একাদেমি অসিগী আর্টিষ্ট, ওজাশিং অমদি মেম্বরশিংনা হরাও-নুংঙাইবা ফোঙদোক্তুনা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে হায়রি।

একাদেমি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এম নেলসননা থোরকপা চেরোল অমদা, ইন্টরনেশনল ঠীএটর এৱার্দ অসি শক্লাইরবা দিরেক্টর মুতুম উপেন্দ্রোনা দিরেক্টর ওইবগী মথক্তা এক্টর অমসুং রাইটর ওইবদা নত্তনা আর্ট অমসুং কলচরগী লম্দা থিজিন খোমজিনবা অমসুং ঠীএটরগীদমক কখোক্তুনা তৌরক্লিবা থবকশিংবু শকখঙবীদুনা ডা: অশোকগুপ্ত ফাওন্দেশন, মুম্বাইনা পীরকখিবনি। অদুগা এসিষ্টেন্ট প্রো: য়েংখোম সঞ্জিৎকুমারদনা মহাক্কী থাঙ-তাগী লম্দা থিজিন হূমজিনবা অমদি মসিগীদমক কখোক্তুনা পাঙথোরকখিবা থবকশিংবু শকখঙবা উত্তুনা ডা: বিমানগুপ্ত ফাওন্দেশন, মুম্বাইনা এৱার্দ অসি পীরকখিবনি হায়রি।

ম্যান্মার লৈঙাক্না ইন্দো-ম্যান্মার ...

লামায় ১গী মখা... মচাশিং লোন্না চঙলক্তুনা থবক শুবসু য়াওরি। মমাঙথক্তসু মোরেদা চঙদুনা থবক শুরম্বা ম্যান্মার মচাশিং সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা ফাদুনা ম্যান্মারদা অমুক হলহনখিবগী থৌদোক কয়াসু লৈখ্রবনি। ম্যান্মাররোমদগী অরোনবা খোঙ লম্বীশিংদা চঙলক্তুনা য়োংচাক য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়ামরুম পুশিল্লক্তুনা মোরেদা য়োল্লবসু য়াওরি। অদুম্মকপু পোৎচৈগী মমলদি হান্নদগী শরুক অনী হেন্না তাঙখৎলে হায়নসু পাউগী লীখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

লৈখিদ্রবা ইন্সপেক্টর লিশম প্রেমচান্দদা...

লামায় ১গী মখা... শুবা অমদি ষ্টেট অসিগী চাউখৎ থৌরাংগীদমক মখোয়না তৌখিবা দেদিকেসন অদুনা ষ্টেট অসি মাঙলোমদা চঙশিনবা ঙল্লিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর ষ্ট্রিট ভেন্দরস অত্মা নির্ভর নিধি (পি এম এস ভি এ নিধি) ইমপ্লিমেন্ট তৌবা অপীকপা ষ্টেটশিংগী মনুংদা মণিপুরনা বেষ্ট ষ্টেট তারে। মসিগীদমক্তা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হাউজিং এন্দ অর্বান এফেয়র্সনা থারকপা ওফিসল লেট্টর অমসু ফংলে হায়খি।

কোভিদ-১৯ লাইচৎকা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা শিহনখিবশিংগী মনুংদা চাদা ৬০ দি হোস্পিটালাইজেসন তৌরকখিবা পুং ৬ ফাদ্রিঙৈদা লৈখিদবনি। মরম অসিনা মতম চানা হোস্পিটালাইজেসন তৌবা য়াম্নমক তঙাইফদে। চিংনববু লৈরবদি টেষ্ট তৌননবা মীয়াম থোকপীরকউ হায়নসু মহাক্না আপিল তৌখি।

থৌরম অদুদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা প্রিসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিং, এম পিশিং, চীফ সেক্রেটরি, দি জি পি অমদি সিভিল, পুলিস, মিলিটরি অমদি সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী মকোক থোংবা ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা ইন্দিয়া টুদেগী মোষ্ট ইমপ্রুভ স্মোল ষ্টেট এৱার্দ (ওভর ওল)গী ট্রোফি চীফ সেক্রেটরি ডা. রাজেশ কুমারদা অমসুং মোষ্ট ইমপ্রুভ স্মোল ষ্টেট এৱার্দ (লো এন্দ ওর্দর)গী ট্রোফিনা দি জি পি, এল এম খৌতেদা খুৎশিন্নখি। লোয়ননা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সনা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ফবা পুলিস ষ্টেসননি হায়না লাউথোকখ্রবা নোংপোক সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জদসু চীফ মিনিষ্টরনা লুপা লাখ ১গী কেস রিৱার্দ পীখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টরনা মেন্টেল হেল্থ হেল্পলাইন (টোল ফ্রি) নম্বর ১০৪সু লোঞ্চ তৌখি।

লৈঙাক্কী অশোয়বশিংগী মতাংদা ৱা ...

লামায় ১গী মখা... খঙনরিবনি। মরুওইনা পাল্লিবা লৈঙাক অমনা মীয়ামগী থবক তৌরক্তবা মতমদা ওপোজিসন পার্টিনা থিন্দুনা তাক্লগা থবক তৌহন্দুনা লাক্লিবনি। অদুবু লৈঙাক অসিনদি ওপোজিসনগী ৱাহন্থোক অসি খঙদবনা মখোয়গী অশোয়বা অমা হেক হায়রুবদা এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী চাউখৎ থৌরাংগী থবক্তা অপনবা পীরি। মরুওইনা মহাক মশাগী ওইনসু হন্দক পাঙথোকখিবা মরক্কী মীখল অদুদা বি জে পিগী মায়োক্তা ৱা ঙাংখি হায়দুনা শুগনু এ সীগী তোঙান-তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়াদা অয়েৎ-অপন পীদুনা থল্লি। অদুবু বি জে পিনা খঙগদবদি কোংগ্রেস পার্টিনা লৈঙাক পায়খিবা মতমদদি চাউখৎ থৌরাংগী থবক তৌবা মতমদা ওপোজিসন রুলিং হায়বা খায়দনা থবক তৌখিবনি। মরম অসিনা লৈবাক্কী চাউখৎ থৌরাংগী লমদদি পোলিটিক্স তৌবীগনু হায়খি।

হন্দক পাঙথোকখিবা এ সী ৫গী মরক্কী মীখল অদুদা বি জে পিনা হেন্না মায় পাকখিবগী মতাংদা এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা হায়খি, হন্দক্কী ইলেক্সন অদুদা ৱাঙ্গোই এ সীগী ওইনসু বি জে পিনা লৈঙাক পায়রি হায়বগী মতাগুম অহেনবা পাৱর শীজিন্নদুনা ভি দি এফ অমদি পিওনদগী হৌরগা লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ী খূদিংমক কৌদুনা নম্ফুদা মখোয়গী বেলোট ভোট পীহনখিবা অদুননি। লোয়ননা ৱাংজিং তেন্থাগী ওইনদি সী পি আইনা ইলেক্সন য়াওরোই হায়না লাউরল্লগা অরোইবদা বি জে পিনা শেল পীদুনা লৈখিবদগী বি জে পিদা ভোট পীখিবনা কাখিবনি হায়খি।

থৌরমদুদা ৱাঙু গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান লোইতোংবম শরত এলিয়স তোনা মৈতৈ, চাইরেল গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এস নবা, দিভলপমেন্ট কম্মিটি ৱাঙুগী প্রসিদেন্ট অমোম নেতানন্দনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

একাওন্টশিং অসি করিগীদমক কনাগী ওথোরিটিদা...

লামায় ১গী মখা... রিক্যুজিসন অমা সবমিট তৌবদগী সলাই হোল্ডিং প্রাইভেট লিমিটেদকী বেঙ্ক একাওন্টশিংগী দিটেল রিপোর্ট অমসুং মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং পীরকখিবনি হায়নসু কোর্টতা ফোঙদোরকখিবনি।

এদিশনল এস পি (এল এন্দ ও)গী রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না সলাইগী মখাদা লৈরিবা হায়রিবা কম্পনিশিংনা সলাই এগ্রো প্রদক্ট্স প্রাইভেট লিমিটেদ, সলাই কন্সট্রক্সন প্রাইভেট লিমিটেদ, সলাই ইনর্জি সোল্যুশন্স প্রাইভেট লিমিটেদ, সলাই মার্ট প্রাইভেট লিমিটেদ, সলাই ইনফোটেক প্রাইভেট লিমিটেদ, সলাই এসিয়া পেসিফিক রিজন একজিম প্রাইভেট লিমিটেদ, সলাই এগ্রি কন্সোর্টিয়ম প্রাইভেট লিমিটেদ, সলাই টুর্স এন্দ ত্রাইবেল্স প্রাইভেট লিমিটেদ, সলাই পান এসিয়া ইন্টরনেশনল প্রাইভেট লিমিটেদ, স্মার্ট সোসাইটি (সগোলবন্দ তেরা লৌক্রাকপম লৈকায়) অমসুং মসিগী সব-ওফিসশিং, স্মার্ট মেদিকোজ, সাফিন্স (সলাই ফাইনান্সিয়ল সর্ভিসেস), সলাই লেগু দিভলপমেন্ট এন্দ এগ্রিকলচরল এন্দ এলায়দ এক্টিভিজ কোওপরেশন ক্রেদিট সোসাইটি অমসুং সলাই রেকোর্দিং সেন্টর (তেরা অখাম লৈকায়)নি হায়খি।

অদুগা সলাই অমসুং স্মার্টকী বেঙ্ক একাওন্টশিংনি হায়দুনা পুলিসকী মায়কৈদগী কোর্ট অসিদা সবমিট তৌরকখিবা রিপোর্টতা পল্লকখিবশিংনা স্মার্ট য়ুনিভর্সেল একাদেমিগী মিংদা একজিজ বেঙ্ক, ইম্ফাল ব্রাঞ্চকী একাওন্ট নম্বর-৯১৭০১০০০৮০৩৬৭৫১, সলাই কন্সট্রক্সন প্রাইভেট লিমিটেদকী বিজয়া বেঙ্ক, ইম্ফাল ব্রাঞ্চতা একাওন্ট নম্বর ৮৬০১০০৩০১০০০২২৬, সলাই এগ্রি কন্সোর্টিয়ম প্রাইভেট লিমিটেদকী বিজয়া বেঙ্ক, ইম্ফাল ব্রাঞ্চতা একাওন্ট নম্বর-৮৬০১০৬০২১০০০০২৩ অমসুং একাওন্ট নম্বর-৮৬০১০০৩০১০০০২০৭, সলাই এগ্রো প্রদক্স প্রাইভেট লিমিটেদকী হায়রিবা বেঙ্ক অসিগী একাওন্ট নম্বর-৮৬০১০০৩০১০০০১২৮, সলাই স্মার্ট প্রাইভেট লিমিটেদকী একাওন্ট নম্বর-৮৬০১০৬০২১০০০০২১, স্মার্ট সোসাইটিগী একাওন্ট নম্বর-৮৬০১০০৩০০১০০০০৩৮, সলাই ইনফোটেককী একাওন্ট নম্বর-৮৬০১০০৩০১০০০২৮৬, সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদকী একাওন্ট নম্বর-৮৬০১০০৩০১০০০১৯০, সলাই একজিজ পেসিফিক রিজন একজিম প্রাইভেট লিমিটেদকী একাওন্ট নম্বর- ৮৬০১০০৩০১০০০২০৯, সলাই ইনর্জি সোল্যুশন্স প্রাইভেট লিমিটেদকী একাওন্ট নম্বর-৮৬০১০০৩০১০০০১৭৮, সলাই বাইওটেক পার্ক লিমিটেদকী একাওন্ট নম্বর-৮৬০১০০৩০১০০০২০৮, সলাই টুর্স এন্দ ত্রাইবেল্স প্রাইভেট লিমিটেদকী একাওন্ট নম্বর-৮৬০১ ০০৩০১০০০২২৯, সলাই ইনর্জি সোল্যুশন্স প্রাইভেট লিমিটেদকী ইম্ফাল অর্বান কোওপরেটিভ বেঙ্ককী একাওন্ট নম্বর-০১১৭০০০১৭০১, সলাই এগ্রো প্রদক্স প্রাইভেট লিমিটেদকী ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (থাঙ্গাল বজার)গী একাওন্ট নম্বর-৩৪১৬৬৬৮৬৩৩৮, সলাই টুর্স এন্দ ত্রাইবেল্স প্রাইভেট লিমিটেদকী ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (ইম্ফাল সেক্রেটেরিএট)কী একাওন্ট নম্বর-৩৫০৫৪৫৪৯৪৮১, সলাই কন্সট্রক্সন প্রাইভেট লিমিটেদকী ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (সগোলবন্দ ব্রাঞ্চ) কী একাওন্ট নম্বর-৩৭৭৭৩৫৩৮ ৬৪৮, সলাই মার্ট প্রাইভেট লিমিটেদকী একজিজ বেঙ্ককী একাওন্ট নম্বর-৯১৯০২০০৬৬২৭৭৩০০, ঐচ দি এফ সি বেঙ্কতা লৈবা সলাই এগ্রো প্রদক্স প্রাইভেট লিমিটেদকী একাওন্ট নম্বর-৫০২০০০২৮৭১৩০০০, সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদকী একাওন্ট নম্বর-৫০২০০০৩৩২৪৫৮৬৮, সলাই কন্সট্রক্সন প্রাইভেট লিমিটেদকী একাওন্ট নম্বর-৫০২০০০২৮০৮৯৫৪৪, আই সি আই সি আই বেঙ্কতা লৈবা সলাই টুর্স এন্দ ত্রাইবেল্স প্রাইভেট লিমিটেদকী একাওন্ট নম্বর-০৯৫৯০৫০০৯২৯৫, সলাই ইনর্জি সোল্যুশন্স প্রাইভেট লিমিটেদকী একাওন্ট নম্বর-০৯৫৯০৫০০৭২৪৬, সলাই মার্ট প্রাইভেট লিমিটেদকী এস বি আই (পাওনা বাজার)দা লৈবা একাওন্ট নম্বর-৩৪৩৬৫৩৯৭৮৭২ নারেংবম সমরজিৎকী মিংদা বেঙ্ক ওফ বরোদা, ইম্ফাল ব্রাঞ্চতা লৈবা একাওন্ট নম্বর-১০১৬০১০০০০৪১৬২, আই সি আই সি আই বেঙ্ক ইম্ফাল ব্রাঞ্চতা লৈবা মহাক্কী একাওন্ট নম্বর-০৯৫৯০১০০০৫৯১, ০৯৫৯০৫৫০০৫০৮, ঐচ দি এফ বেঙ্ক (ইম্ফাল ব্রাঞ্চ)তা লৈবা একাওন্ট নম্বর-৫০১০০০৮৬৪৯৮৫০১, এস বি আই (ইম্ফাল ব্রাঞ্চ)তা লৈবা একাওন্ট নম্বর-২০১১৮৬১২১১৭, একজিজ বেঙ্ক (ইম্ফাল ব্রাঞ্চ)তা লৈবা একাওন্ট নম্বর-৯১৫০১০০৪৭৭৬৮০৩৫, বিজয়া বেঙ্ক (ইম্ফাল ব্রাঞ্চ)তা লৈবা একাওন্ট নম্বর-৮৬০১০১০১১০০৪৩৩১, বেঙ্ক ওফ বরোদা (ইম্ফাল ব্রাঞ্চ)তা লৈবা একাওন্ট নম্বর-২৩৬৩০২০০০০০১৪৩, ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (ইম্ফাল ব্রাঞ্চ)তা লৈবা একাওন্ট নম্বর-৩০৮৯৬২১১৫৮৭ অমসুং স্মার্ট মেদিকোজগী মিংদা পঞ্জাব নেশনল বেঙ্ক (ইম্ফাল ব্রাঞ্চ)তা লৈবা একাওন্ট নম্বর- ১০৬৭০০২১০০০১১৯৯৫ অমসুং বিজয়া বেঙ্ক (ইম্ফাল ব্রাঞ্চ)তা লৈবা একাওন্ট নম্বর-৮৬০১০০৩০১০০০১৬২নি হায়রকখিবনি।

লোয়ননা পুলিসকী রিপোর্ট অদুদা হায়রিবা একাওন্টশিং অসি ওপরেট তৌবা য়াহনবনা তোঙান তোঙানবা লন্নাই মীওইশিংদগী নমথাক তৌরগা য়াল্লবা শেনফমশিং খোমজিল্লে। অদুগা কম্পনি অসিনা অরানবা মওংদা শেন্দোং তান্নবা হোৎনরে। মসিনা সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদ অমসুং মসিগী য়ুনিটশিংগী ওফিশল অমসুং ষ্টাফশিংনা নমথাক তৌরগা শেল লান্না শীজিন্নবগী থৌওংশিং মখা তানা চত্থরক্কদৌরি হায়নসু ফোঙদোরকখি। মরমশিং অসিদগী ইম্ফাল পুলিস ষ্টেশন্না রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলিবা কেস অসিগা মরী লৈননা সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদকী একাওন্টশিং অসি মমাঙ থাগী ২৬ অমসুং ২৭তা ফ্রীজ তৌশিনখিবনি হায়নসু কোর্টতা ফোঙদোরকখিবনি।

লোয়ননা কোর্ট অসিনা পীখিবা ওর্দর অসিদা উরিপোক খুমন্থেম লৈকায়দা লৈবা স্মার্ট প্রাইভেট বেঙ্ককী মায়োক্তা কমপ্লেন্ট অমা তৌরকখি হায়বসি খঙলে। অদুম ওইনমক, কমপ্লেন্ট অদুদা কেস অসিগী পুলিসকী ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসরনা ফ্রীজ তৌরে হায়রিবা একাওন্টশিংগী মনুংদা স্মার্ট প্রাইভেট বেঙ্ক অসি য়াওদে হায়রি। মরম অদুনা কমপ্লেনেন্টকী কমপ্লেন্ট অসিনা হায়রিবা বেঙ্ক অসিগী মথক্তা করিসু তৌনিংঙাই লৈতে হায়খি। মসিগী মথক্তা স্পেসল জজ (এন আই এ), মণিপুরনা পীখিবা ওর্দর অমদা সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদকী একাওন্টশিং অসি হাংদোকহন্নবগী অয়াবা পীখ্রবনি হায়বগা লোয়ননা পুলিসকী রিপোর্ট অসিদা করম্বা ওথোরিটিনা কম্পনি অসিগী একাওন্টশিং ফ্রীজ তৌরিবনো হায়বদু পল্লক্তে।

লোয়ননা করি মরমগীদমক্তা একাওন্টশিং অসি ফ্রীজ তৌরিবনো হায়বদুগী মতাংদা অনৌবা রিপোর্ট অমা লাক্লিবা থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা পীখৎলক্নবা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনননা লৌখৎপা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসর ওইরিবা এদিসনল এস পি (এল এন্দ ও), ইম্ফাল ৱেষ্ট টিঐচ সঙ্করদেবদা ওর্দর অসিগী কোপি অমা পীদুনা খঙহনখিবনি হায়রি।

দিসক্কালিফাই তৌখ্রবা এক্স-এম এল ...

লামায় ১গী মখা... ট্রাইব্যুনেলগী দিসক্কালিফিকেশন ওর্দরশিংবু শীংনরকপা পিটিশনশিং অদু লম্লাই এ সিগী ক্ষেত্রিময়ুম বিরেন অমসুং কুম্বী এ সিগী সনসম বিরনা পিটিস্নরশিং ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি। পিটিশনশিং অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পীকর, সেক্রেটরি অমদি অতোপ্পা মীওইশিং য়াওরিবনি। ঙসি জষ্টিস লানুসুংকুম জামির অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী দিভিজন বেঞ্চতা দিসক্কালিফিকেশনগা মরী লৈনবা কেস ৬মক লিষ্ট তৌখি। কোর্টনা মেটরশিং অসি লৌখৎলকপদা রেস্পোন্দেন্টশিংগী মনুংদা য়াওরিবা স্পীকর অমসুং মহাক্কী সেক্রেটরিগী মায়কৈদা এদিশনেল এদভোকেট জেনরেল লেনিন হিজমনা মহাক্কী ওইবা আর্গ্যুমেন্টশিং সবমিশন তৌখি। অদুগা কাওন্সেল সাপম বিস্বজিৎকী মায়কৈদগীসু মহাক্কী ওইবা আর্গ্যুমেন্টশিং সবমিশন তৌবগী থবকশিং লোইশিনখি। অদুম ওইনমক, পিটিস্নর এক্স-এম এল এ অনীগী মায়কৈদা লেপখিবা সেনিয়র কাওন্সেল ঐচ এস পাওনমগী মায়কৈদগী দিফেন্স কাওন্সেলশিংনা সবমিট তৌরকখিবা আর্গ্যুমেন্টশিংগা মরী লৈননা পীগদবা ৱাফমশিং কোর্টতা থম্বা হৌরকপদা কোর্টকী মতম লোইশিনখিবদগী মপূং ফানা সবমিশন তৌনবগী মতম ফংখিদে। ফিভম অসিদগী দিভিজন বেঞ্চ অসি দিসক্কালিফায় তৌখ্রবা এক্স-এম এল এ অনীগী পিটিশনশিংগী মখা তাবা ৱায়েল থা অসিগী ২শুবা চয়োলদা অমুক হন্না মখা চত্থনবগীদমক লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি।

লৈখিদবা মশীং হেনগৎলক্লিবসি...

লামায় ১গী মখা... মহাক্না মখা তানা হায়, হৌজিক হোটেলশিং হাংদোরকপা, তোঙান-তোঙানবা মফমদা পুল্লপ-পুল্লপ পুন্দুনা লম কোয়বা চৎনরকপদা নত্তনা লুহোংবা অমদি সোরাৎনচিংবদা মী য়াম্না পূনবা থৌরমশিংগী মশীং য়াম্না হেনগৎলক্লি। হন্দক কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা মী শিবগী চাং খরা হেনগৎলক্লিবা অদুগী মতাংদা দোক্টর টিম অমনা রিম্স হোস্পিটাল অমদি জে নিম্সতা চত্তুনা য়েংশিনখি। মদুদা থেংনরকপা অমদি হোস্পিটালশিং অসিগী দোক্টরশিংনা ফোঙদোরকপদা কোভিদ লায়নাগী লায়ওং উৎলবদি খরা ফৈ। অদুবু লাইচৎ অসিগী লায়ওং উত্তবা কাঙবুদি মশাদা লায়না অসিনা নাহল্লে হায়বা হেক খঙবা ঙমদবনা মখোয়না মশা ঙমদ্রে হায়দুনা হোস্পিটালদা পুখৎলকপা মতমদা শ্বর হোনবা ৱাবা অমদি ফিভম হেন্না শোকচিল্লবা মতমদা পুখৎলকপনা হোস্পিটাল হেক য়ৌবগা কনবা ঙমহৌদনা শিবা য়াওরি। মরম অদুনা হান্ননা লোক লাইহৌ তৌরম্বদগী কোক চিকপা, শ্বর হোনবা ৱারকপা অমদি হকচাং হেক নুংঙাইরক্তবা মতমদা য়াম্না থুনা হোস্পিটালদা লাক্তুনা য়েংথোকপীয়ু।

দিসেম্বর ৩ ফাওবদা কোভিদ-১৯না নারগা লৈখিদবা হেল্থ ৱর্কর অনী য়াওনা পূন্না মীওই ২৯৪ রোম শুখ্রে। মসিগী মনুংদা চহী খরা হেন্না য়াল্লবা মীওইশিংনা হেন্না শিরি। চহীশিংগী চাংচত্তা য়েংলুবদা চহী ১৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংগী মরক্তগী শিবনা ২ শুখ্রে। অদুগা চহী ১৬তগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংগী মরক্তগী শিবনা ৮ শুখ্রে। চহী ৩১ দগী ৪৫ ফাওবগী মনুংদনা ৩৮, চহী ৪৬তগী ৬০ ফাওবগী মনুংদনা ৯৩, চহী ৬১ দগী ৭৫ ফাওবগী মনুংদনা ১০৭ অমসুং চহী ৭৬তগী ৯০ ফাওবগী মনুংদনা ৪৩ শুখ্রে। অদুগা চহী ৯১ দগী ১০০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওই ৩সু লৈখিদবশিংগী মনুংদা য়াওরি। লৈখিদবশিংগী মনুংদা নুপী মশীংদগী নুপা মশীংনা খরা হেল্লি। অদুগা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী লুরবা তাঞ্জা অসিদা হোস্পিটালশিংদা মশাগী মথৌ পাঙথোক্লমদবদগী সস্পেন্দ তৌখ্রবশিংনা দোক্টর ৪ অমসুং নর্স অমনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, মণিপুরদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা লৈখিদবা মশীং ২৯৫ শুখ্রে। অপূনবা কেস মশীংনা ২৫,৬৯১ শুরে।

কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমদগী ঙসি নুমীদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবগী রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ১৫০ অমসুং সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স (সী এ পি এফ)কী পর্সনেল ৫ পুন্না মীওই ১৫৫ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনরে। পোজিটিভ কেসশিং অসি জেনিমসতা ৩১, রিমসতা ২১, ইম্ফাল ইষ্টতা ৩, ইম্ফাল ৱেষ্টতা ১৪, মাইপাকপীদা ৩, শিজ হোস্পিটালদা ১৩, এসিয়ন হোস্পিটালদা ১, পব্লিক হোস্পিটালদা ১, এদভান্স হোস্পিটালদা ২, জিবন হোস্পিটালদা ২, রাজ মেদিসিটিদা ৫, ইসেন্ট দাইগ্নোষ্টিক্সতা ৫, বিষ্ণুপুরদা ৩, ককচিংদা ৯, উখ্রুলদা ৮, তমেংলোংদা ১৪, চুড়াচান্দপুরদা ৩, চান্দেলদা ২, কাংপোকপীদা ২, জিরিবামদা ২ অমসুং ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্সতা ১১ নি।

জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ওইরবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৪৬, ইম্ফাল ইষ্টতগী ৪২, থৌবালদগী ৩, বিষ্ণুপুরদগী ১১, ককচিংদগী ১১, উখ্রুলদগী ৭, তমেংলোংদগী ১৪, সেনাপতিদগী ১, কাংপোকপীদগী ৬, চুড়াচান্দপুরদগী ৫, জিরিবামদগী ২ অমসুং চান্দেলদগী ২নি। মীওইশিং অসি মণিপুরগী মপান্দা চৎলুদবা ঙাক্তনি। হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা থৌবালদগী মশাগী চহী ৬২ শুরবা মীওই অমা জেনিমস হোস্পিটালদা লৈখিদ্রে। মীওই অসি থারগা মণিপুরগী ওইনা লৈখিদবা মশীং ২৯৫ শুরে। অপূনবা কেস মশীংনা ২৫,৬৯১ শুখ্রে। কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২২,৫৪৫ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৩১৪৬ নি। পোজিটিভ ওইরম্বদগী ফগাৎলক্লবা অপূনবা কেস মশীংনা ২২,২৪৫ শুরে। ফগাৎলক্লবা কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ১৯,৫৩২ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ২৯১৩ নি। ফগাৎলকপগী চাংনা চাদা ৮৭.৩৬ ওইরি। অদুগা এক্টিভ কেসনা ২৯৫১ লৈরি। এক্টিভ কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ২৭২২ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ২২৯ নি। লোয়ননা মীওই ২৭৩সু নৌনা দিসচার্জ তৌখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ঙসি মণিপুর হেল্থ হেল্পলাইন নম্বর ১০৪সু লোঞ্চ তৌখ্রে। কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা হোম আইসোলেসন্দা লৈরিবশিংগী ৱাখল নুংঙাইতবা লৈব্রা হায়বদুসু কাউন্সীল্লরশিংনা হেল্পলাইন নম্বর অসিগী খুত্থাংদা চেক তৌরগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

এম সি এস সি সি মেন এগজাম...

লামায় ১গী মখা... রিভিয়ু পিটিশনশিং অসি কোর্ট অসিনা লৌশিল্লবা মতুংদা চত্থরকখিবা মসিগী ৱায়েলশিংদগী ‘পার্ট হর্দ’ কী ষ্টেজদা লৈরকপগা লোয়ননা ঙসি কোর্ট অসিগী জষ্টিস লানুসুংকুম জামির অমসুং জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী দিভিজন বেঞ্চতা পুল্লপ লিষ্ট তৌখি। লোয়ননা কোর্টনা পিটিশনশিং অসিগী মায়কৈদা লেপখিবা পার্টি পূম্নমক্কী কাওন্সেলশিংগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা মেট্টরশিং অসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর রিজর্ভ তৌদুনা থমখিবনি।

ঙসি কোর্টনা খঙহনখিবদা কনাগুম্বা কেসশিং অসিগী কাওন্সেলশিংগী মায়কৈদগী অইবা সবমিশনশিং পীশিন্নিংবা লৈরগদি লাক্লিবা থা অসিগী ৯ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লকপা য়াগনি হায়খি।

পনবা য়াবদি, এম পি এস সিনা লৌদুনা পাঙথোকখিবা এগজামিনেশন অদুদা অশোয়বা অরানবা কয়া য়াওরে হায়দুনা অহানবদা হায় কোর্টতা ৱাকৎলকখিবনি। ৱাকৎ অদুগী মতুং ইন্না মীওই অমনা ইনক্কারি চত্থখিবনি। অদুবু ইনক্কারি অদুগী রিপোর্টতা অশোয়বা অরানবশিং য়াওরে হায়রকখিবশিং অদুগী মতীক চাবা ইভিদেন্স ফংদে হায়না ফোঙদোরকখিবনি। অদুম ওইনমক, এগজামিনেশন অদুগী মতাংদা রাইট টু ইনফোর্মেশন (আর টি আই) এক্টকী খুত্থাংদা মরী লৈনবা ৱাহংশিং কম্মিশন অসিদা হংলুবদা থোরকপদগী অমুক হন্না মীওই অনীনা শাবা ইনক্কারি কম্মিটি অমনা মখা তানা থিজিনহনখিবনি। লোয়ননা অনীশুবা ইনক্কারিগী রিপোর্টতা অশোয়বা অরানবশিং পীক থন্না য়াওরল্লে হায়রকপদগী কোর্টনা রিপোর্ট অসিদা য়ূম্ফম ওইদুনা পীখিবা ৱায়েলদা এম পি এস সিনা পাঙথোকখিবা মণিপুর সিভিল সর্ভিসেস কম্বাইন্দ কম্পিটিটি (মেন) এগজামিনেশন অদু চৎহনখিদবগা লোয়ননা এম পি এস সিদা অনৌবা এগজামিনেশন অমা পাঙথোক্লবগী অয়াবা পীখিবনি। লোয়ননা ককথৎখ্রবা এগজামিনেশন অদুগী মতাংদা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেশন (সি বি আই) ন্যু দেল্লিদা ককথৎখিবা কোর্টকী ওর্দর অদু ফংলবা মতুং থা অহুমগী মনুংদা ইনভেষ্টিগেশন চত্থনবসু খঙহনখিবনি। অদুগা ঙসি কোর্ট অসিনা রিজর্ভ তৌখ্রবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরগা মরী লৈনবা রিভিয়ু পিটিশনশিং অসি ফাইল তৌরক্রিঙৈ মমাঙদা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদসু আপীলশিং ফাইল তৌনরুবনি। মদুদা লৈবাক অসিগী এপেক্স কোর্ট অসিনা আপীলশিং অদু দিসমিস তৌরকখ্রবনি।

ꯄꯥꯝꯖꯩ / মীওই অনী পামজৈ

মশাগী চহী ৩৫ দগী ৫৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা চৌকিদারগী থবক পুবগা লোয়ননা ইংখোল কোইবা হৈবা মীওই অনী অথুবগী ওইনা পামজৈ। তোলোপ মতীক চানা পীজগনি।

অকুপ্পা মরোলগীদমক মখাগী মোবাইল নম্বর অসিদা অয়ূক পূং ১০ দগী নুমিদাংৱাইরম পূং ৫ ফাওবগী মনুংদা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি।

HL-C/20/4,5
# 7423081322